হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ০৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪০শুবা মশীং

## কয়ামুক য়াম্না কাগদগে
### খোংলগা খঙবা হায়বদুনি

মণিপুরগী ১২শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পাঙথোক্তবা য়াদবা মীখল ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেটসিগী অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদা ৩৮ অমসুং ২২গী ওইনা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখ্রিবনি। অদুগা পাঙথোকখ্রিবা ফেজ অনীগী ইলেক্সনদা য়ৈখাই-থিনগাইবা অমসুং অয়েৎ-অপন পীরকপা অমদি থোকহল্লকপনা মরম ওইদুনা ফর্ষ্ট ফেজগী ভোট থাদনখিবা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২গী রি-পোল মার্চ ৫দা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ ফেজগা পূন্না পাঙথোকমিন্নখি। অনীশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদসু মরু ওইনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং থুগাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বদগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা রি-পোল তৌগদৌরিবা অসিনি। অদুবু হন্দক্কী মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অসিগী মীখল তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখ্রবসু অদুগা তঙাইফদবা রি-পোলশিং পাঙথোক্লবসু মীখলসিগী থবক থৌরম (ইলেক্সন প্রোসেস) পূম্নমক মপূং ফানা লোইশিল্লে হায়বা য়াদ্রি। মরমদি পাঙথোক্লিবা মীখল অসিগী ভোট মশীং থিদ্রি। মার্চ ১০গী অয়ূক পুং ৮দগী থিবা হৌগৎলক্লগা লোইশিল্লবা মতুং এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০ মক্কী রিজল্ট অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা লাউথোকপা পূন্লোই লোইরবা মতুংদা ইলেক্সন প্রোসেস লোইশিনগদবনি। অদুবু মতাংসি য়ৌশিল্লকপদা থোরক্লিবা ৱাহংদি পাঙথোকখ্রিবা মীখলসিগী রিজল্ট লাউথোরকপদা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী লৈঙাক লুচিংলক্লিবা বি জে পিনা সিট কয়া ফংবা ঙমগনি? অদুগা ওপোজিসন কোংগ্রেসনা এম এল এ কয়া মায় পাক্লকপা ঙমগদগে হায়বসিনি। অতোপ্পা পার্টিশিংসু মীখল থেংনরি, থেংনদবা নত্তে। লৈঙাক পায়মিন্নরক্লিবা নেসনল পীপলস পার্টি (এন পি পি), নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) সু মখোয়গী মীরেপশিং থাদোক্লি। জিরিবামদগী কারকখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ এম দি অশবউদ্দিননা অতোপ্পা নেসনল পার্টি অমগী মীরেপ ওইখ্রবসু মরক্কী মীখল (বাই ইলেক্সন) দা লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারকখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ, ৱাই অন্তাস খানদা বি জে পিগী টিকেট পীশিন্দুনা মীরেপ ওইহল্লি। লৈঙাক্কা মপাং ওইদুনা লাকপা থাঙ্গগী ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো অমসুং লোক জন শক্তি পার্টিগী লংথবাল এসেমব্লিগী এম এল এ করাম শ্যামসু বি জে পি য়াওহন্দুনা পার্টিসিগী মীরেপ ওইহল্লি।

হায়বদি, বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা য়ারিবমখৈ এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংননবা অরৈবা পাম্বৈশিং অমত্তা খাক্তনা পুথোক্তুনা হোৎনরি। মীখলসিগী প্রোসেস লোইশিন্দবনা চৎনহল্লক্তুনা লৈরিবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী মনুংদা পীথোকফম থোকপনি হায়দুনা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী মখাদা লৈবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স (সু) গী কেদরশিংগী থাগী ষ্টাইপেন্দগীনি হায়দুনা য়াম্লবা লুপা ক্রোর ১৬ হেনবগী শেনফম পীথোক্লুবগী ৱারু-নুংজু থোক্নে, অৱাই অখুম তৌনৈ। ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাওবা ৱাকৎলগনি হায়দুনা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। থৌওংসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংগী পীফম থোকপা থাগী তোলোপ অমসুং থবক্তগী পোত্থাখ্রবশিংগীনা পেন্সনরি বেনিফিটশিং পীথোক্তনা নমশিন্দুনা থম্লগসু চীংদা ওপরেট তৌরিবা সুগী কেদরশিং অসিগীদি পীথোকখ্রিবনি। ইশম শম্বদা মীখলসিদা কান্নগনিবু হায়রবদি অমত্তা লেম্না থাদনা মীৱা-মৈশা তাগদবা ওইরবসু তুংওইনরগা পাঙথোকখ্রিবনি। কোংগ্রেসসু অদুম্মঙাই, মীখলসিদা মায় পাকপদা চঙগনি হায়বা থবক কয়া পায়খৎখি অমসুং পাঙথোকখি। কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট) য়াওনা লেফ্‌ট পার্টিশিংগা মণিপুর প্রোগ্রেসিভ সেক্যুলর এল্লাইএন্স ফাওবা শেমদুনা মীখল থেংনখি। অতোপ্পা পার্টিশিং ওইরিবা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অঠৱালে), জনতা দল-য়ুনাইটেদ, শিব সেনা, কুকিশিংগী পোলিটিকেল পার্টি অনী য়াওনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ খরসু লম্বা তৌনবদা য়াওরিবনি। মরমশিং অসিননি মীখলসিদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ানখ্রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী য়াওনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংনা কয়ামুক য়াম্না কারক্কদগে হায়বগী ৱাফম থোরক্লিবা। অদুবু হৌজিক ফাওবদি ৱাহংসিগী পাউখুম অমম্বা ওইরি, ঈশিংদা থাদবা লৈতুমগুম্না লৈরি। খোংলগা খঙই হায়বগুম্না মার্চ ১০, ২০২২গী অয়ূক্তগী ভোট মশীং থিবা হৌগৎলকপদগীদি খঙবা হৌরক্কদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মশীং থিদ্রিঙৈগী মমাঙদা ওইরিবা/লৈরিবা ফীভমসিদদি বি জে পি ওইগেরা, কোংগ্রেস ওইগেরা, পার্টি অমত্তনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবগী মমি শামদ্রি, লাপ্পা লৈরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***"অমাইবা"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ***"ৱারী শীংবূল্লক্তগী"*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"লৈকংলা"*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লমদমসিদা থেংনরিবা - লায়রবা অমদি থবক ফংদবা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯৪

**জিতেন নামৈরাকপম**

ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন তরানিথোই থুগাইখিবগী মফমশিংদা অমুক হন্না ভোট থাদনবদা নত্তনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদবা লোইশিনখ্রবা মরম্না মণিপুরদা ভোটকী ঈৰাং লোইশিনখ্র হায়না লৌবা য়াই। ভোটকী মতাংদা থরুম তৌনবা, খৎন-চৈনবা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎন-শুনবা তপ্না তপ্না হস্থখ্রবা মরম্না পূক্লিং হকচাং পুময়াঙ হেক য়াঙবা, ৱাই শংবা হায়বদু ওইনরমগনি। ভোটকী নিশা হায়বসিসু কনবদি হাইফেৎ কনবজাৎনি। কদায় কদায়দগী লোৎনা পুথোরকপা নোংমৈশিংনো খঙদে, নুমিদাংগী মতমদা কাপশিল্লম্বগী পাউ, বোম পোকখায়খবগী পাউ, নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শিখিবগী পাউ মরক্তা মীগী য়ূম মৈ থাদোক্লম্বা, মখল মখলগী গাড়ী য়াওনা লৈরম লৈরম্বা পোৎ চৈ থুগায়রম্বগী পাউতনা পুমনিল নিলহনখি। হায়রিবা থৌদোকশিং অসি ইম্ফাল ময়োল নৎত্রগা মসিগী অকোয়বদদি থোকখিবগী পাউ লৈতে। গ্রেটর ইম্ফালদগী লাপথোকখিবা মফমশিংদনা খরখিৎ হেনখি। মরু ওইনা সেকেন্দ ফেজগী মীখল পাঙথোকখিবা মফমশিংদনা অয়াম্বা ওইখি।

মীখল পাঙথোক্লিঙৈ, ভোট থাদনরিঙৈ মনুংদা ঈ ভি এম থুগাইখিবা, লাক্লবা হোৎনরিবসি করিগীনো। মীঙোন্দগী পোৎ মুনবা, শেঙ্গাও লাকপা কয়াদি তানখি। মশানা লাক্লুবা ঈ ভি এম অদু মঙোন্দা করিসু কান্নবা পোৎ নত্তে। থুগায়রিবা, লাক্তুনা চেন্নবা হোৎনরিবগী মরমদি ভোট থাদনরিবা মনুংদা অরানবা তৌরে, অনফ্যের মিন্স শিজিন্নরে, য়ানীংদ্রে হায়বদু খঙবননি হায়না লৌবা য়াই। হন্দক্কী ১২শুবা বিধান সভাগী মীখল অসিদা সেকেন্দ ফেজদা পাঙথোক্লিবা মফমশিং অসি তম্পাক লম খরা নত্তনা অতৈদি খূৎলায় পায়বা নাগা লালহৌলূপশিং মশীং য়াম্না ওপরেট তৌবা মফম ঙাক্তদা ওইখি। মীয়াম্না অদুম খঙনৈ, ঙাঙনখি ইলেক্সন নত্তে সেলেক্সননি। অপাম্বা মীহুৎ মীয়াম্না খনবা নত্তে। মখোয় খরনা য়াবা মী নম্ফুদা খনখ্রবনি। পোল্লিং ষ্টেসন ঙাক্লবা থারিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংসি মখোয়গী সেলেক্সন তৌবদু শঙবা চৎপনি, ঙাকপা চৎপনি। অদুবু নহানগী ইলেক্সন অদুদগী সিক্যুরিটিশিং মশা খিঙলকপা কারোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মফম অমদা ঈ ভি এম লাক্তুনা চেনবা মীওই অমা মদুবু ঙাক শেল্লিবশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। মসিমকসু থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমনি। মসিগী কান্নববু করিনো। ঐখোয়না হেক খঙলকপদগী পাঙথোকখিবা ইলেক্সনশিংদা হন্দক্কী অসিমুক শাথীবা থৌদোকশিং থোকখিবা অমুক্তসু থেংনখিদ্রি। হৈরোক, ৱাঙ্গোই, ৱাংজিং, তেন্থা, অন্দ্রোনচিংবদা থোকখিবা থৌদোকশিং থারগা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা মীওই ৬তি শিখ্রে। মীওই কয়া অমনা নোংমৈনা পানবদগী, থাঙনা য়াল্লম্বদগী শোক্তুনা লায়কন্নবা কয়া অমসু লৈরি। মসিগীসু মথক্তা অকায় অতোয় থোকহল্লম্বদগী, য়ূম মৈ থাবিরম্বদগী খুদোংথীবা নংলবা কাঙবু কয়ানা ৱানা খাঙলি। পূম্নমক অসিগী তেকচাক কনানা পুবীগনি। কনানা কম্পেন্সেসন পীবীগনি। অমাঙবগী অমাঙবমক্তনি। কনাদসু ৱাকৎফম লৈতে। অশিবতনা মাঙজৈ। ভোট থাদবা লোইশিল্লক্লবা মরম্না শান্তি খরবুদি ওইরে খন্নরবসু ভোট হায়দোক্লিঙৈ অমদি হায়দোকখ্রবা মতুংদসু থৌদোক মচা মচা খরা অমুক থোক্লকখগদ্রা। মদুসু তম্বা ঙমদে।

হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা থৱায় য়াওনা শিবা-নাবা কিদনা অসুক্কী মতিক কন্না চেনখৎনরিবা হোৎনরিবসি করিগীনো। করিসু নত্তে মশা মশাগী ওইজবা ফংনবা হোৎনবগী ৱানি হায়বসিদা হেক্তা মতারকই। মানা মানা চেঞ্জবা কেন্দিদেট অদুনা ভোট কারগা ঠিকা, সপ্লাই লৌনবা, থবক হাপতোক হাপচিন, অতোপ্পা স্কিম কয়া অমদগী কান্নবা লৌনবা, ট্রান্সফর এন্দ পোষ্টিংগী কান্নবা লৌনবগী পান্দম্না অয়াম্বা ওইরমগনি। হান্নদগী হৌনা কেন্দিদেটশিংগী খূৎচাবী ওইরবা শেঙ্গাও পায়বা কয়া অমসু ভোটতা মতেং পাংশিল্লিবনি। হয়েং ভোট কাখ্রগা মখোয় মশেল অমত্তা ওইরগা শেন্দানমিন্নবগী পান্দমনি। লম্বী থোং শেম্বগী, শাবগী, মৈ-ঈশিংগী, হকশেলগী, এদ্যুকেসনগী অমদি অতৈ দিপার্টমেন্ট কয়াগা মরী লৈননা থাদরকপা শেল অয়াম্বা মখোয় মশেল মান্নরগা হাইহৎমিন্নগদৌরিবনি। মদুতবু তৌজগে হায়না ভোটকীদমক থৱায় য়াওনা চেঞ্জরিবনি। ইলেক্সনগী মতমদা ভোটর ময়াম পেলহন্নবা, চাবা থকপগী নুংঙাইথোকহনবগী, ইমুং ইমুংশিংদা শেলগী মতেং পাংশিনবগী, য়েনবনচিংবদা থাদখিবা লুপা ক্রোর কয়াদু খোমগৎনবা হোৎনবা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। হৌজিক্তি ভোট লোইখ্রবনিনা হায়রুবা ঙাঙলুবদা মৱা লৌবগী ৱা লৈতে। ভোট মমাঙদা কয়ারক হন্না ভোট থাদবীনবা হায়জবা লাকখিবদু, নমষ্টে তৌখিবা মখোয়দা অমুক চঙশিন্দুনা নমষ্টে তৌরগনি। ৱাকৎ ৱানোমনি, হায়জ নোঞ্জরুগনি। মদুদা মচা মশুগী থবক ইনখাংগী ৱানোম্বদা লুপা লাখ লাখ অমুক কৎশিল্লুগনি। লেম্না অঙাং অমত্তা শেল লৌদনা ফ্রীদা থবক হাপ্পগী ৱাদি লৈত্রে। হায়রিবা ফীভম অসিদা অদুমক চৎনদুনা লাকখ্রবনি। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা মণিপুর ইনৌ নৌনা শেমদোক্নে, করপসন লৈহল্লোই হায়না শেল য়েন্দনা ভোট লেপখিবা অচুম্বা পাম্বা কেন্দিদেটশিংনা মায় পাক্লকনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈরে হায়নীংই।

হন্দক্কী ইলেক্সন অসিগী ফল হায়দোক্তুনা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতুংদা মহাক্কী কেন্দ্রগী অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবিরক্কদৌরিবা থবক অসি করিনো। ইনফ্রাষ্ট্রকচর খরা শেমগৎ শাগৎলগা, মৈ-ঈশিং, লম্বী-থোং, এদ্যুকেসন, হেল্থ, এগ্রিকলচর, পিসিকলচর, হোর্টিকলচর, সেরিকলচর, শা-ঙা য়োকহনবা, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা চাওখৎহন্নবা হোৎনবা খক্তনা য়াগদবা নত্তে। খ্বাইদগী হেন্না লুরিবদি লায়রবা কোকহনবনি। মরমদি মণিপুরদা লৈরিবা ইমুং চাদা মরিফুগুম্বদি লায়রবগী মনম কোকপা ঙমদ্রিবশিংনি হায়না লৌবা য়াই। থবক শুফম লৈতবা, শেল থোকপা শিনফম পায়নদবনা অয়াম্বা ওইবনা মদু কোকহন্নবা হোৎনবদা ফর্ষ্ট প্রাইওরিটি পীবীগদবনি। পোভর্টি এন্দ অন এমপ্লোয়মেন্ট হায়বসিনা লমদম অসিগী ওইনসু খ্বাইদগী চাওবা ইস্যু ওইরিবনি। শেল পায়দবা, শেল লৈতবগী খুদম হায়ববু হন্দক্কী ভোট থাদনদ্রিঙৈদা শেল য়াম্না য়াম্না য়েনবীরগা ময়াম্না হরাওনখিবা, নুংঙাইনখিবগী শক্তম মীয়াম্না উনখিবা অদুনি। মরু ওইনা নুপীশিংগী মরক্তগী শেল পীদ্রবদি ভোট থাদরোই হায়বফাওবা য়াওনখি হায়রি। মদুনা তুংদা অফবা ফীভমদা লাক্কনি হায়বগী ৱাদি লৈতে। শেল থোক্তবা অৱা অনা নংলবা লায়রবা ইমুংশিং শেল থোকচনবা মীয়াম পূম্নমক মান্নবা থাক অমদা হিংমিন্ননবা পোরম অমা শিনবীদুনা ঐখোয় পূম্নমক নুংঙাইমিন্ননবা হোৎনবা চঙলি।

মমাঙদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা তোঙান তোঙানবা এমপ্লোয়মেন্ট স্কিম কয়া মমিং থোন্দুনা থবক হৌখ্রবসু মদুগী কান্নবদি ইফং ফংবগী মওং থেংনখিদ্রি। হৌজিক মহৈ হৈরবা লাখ লাখনা খুজিং ওইরগা থবক ফংদবদগী তা তাদুনা লৈরি। লৈঙাক্কী ষ্টেন্দ অপ, ষ্টার্ট অপনা অদুক হাক্লা কান্নবা ফংহনবা ঙমদ্রি। তৌবতবু হৌজিক্তি মতম অমগী লৈপুঙ ফম্বা, খোংনাং মখোঙদা, উকু মথক্তা করিদা ৱারেম ঙাঙনবা কয়া উখিদ্রে হায়বা য়াই। মীওই অয়াম্বা মানা মানা ঙম্বা মওংদা মশানা মশাবু থবক পীহনবগী মওং অমা উবা ফংলে। ওন্ত্রপ্রেন্যুওর কয়া অমসু থোরক্লে। হীরম খুদিংমক্তা শেন্দাল লম্বী শেমজবগী মওংদা লাক্লি। মখোয়বু লৈঙাক্লা অঙম্বা থাক্তা শেলগী মতেং পাংহন্নীংই। থবক ফংদবদগী ককঙাওনরবশিং থবক ফংহন্নবা, লায়রবা লৈহন্দবা হায়বসিদা লাক্কদৌরিবা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নংই।! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫৯

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

কোন্নচক/কলি যুগ অসিদা হিন্দু লাইনীংদা অৱাংবা থাক্কী লৌশিং লৈরবা মীওইশিংনসু য়াম্না কল্লকচবা লমগী মমিংনি। মখোয়শিংসু অশেংবা করিনো খঙদনা পামজবা/নীংজবা ৱাখল অমদা পংঙাও ঙাওজবনি হায়বা য়াই। 'মখোয়না ঙাওজরিবনা মহাভারতকী মণিপুর, পাণ্ডবকী হিরো অর্জুনগী মচা বব্রুবাহনগী মশুশিংনি' হায়বসিদনি। ইরমদমসিদা পোক্তি পোক্লগা ইরমদমসিগী হৌরক্লোনগী মরমদা শম্না মফৈ অমগী পাক চাওবা লম (হায়বদি মীরমগীদা খঙনবা হোৎনরগা খঙখিবা অদুম হায়না তৌদবদগী খঙদবা ইরমদমগী মরমদদি) অমদি মদুগী শাগোন্নবা মরী মখোঙ অমত্তা খঙখিদে হায়না লৌবা য়াবা, অদুবু মপোক্তদি মীরমগী লাইনীং ৱাখল চেন্দুনা চাওরকখিবা, থিজিন লৌশিং (সাইন্স) কী মতাংদদি মীরৈবাক্কী অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল (য়ুনিভর্সিটি) না পীবা শকখঙচে (সর্টিফিকেট) পায়দুনা মালেমদা হিন্দু লাইনীংগী লৌশিংগা থিজিন লৌশিংগা মরী লৈননা থিজিন্নবা অকনবা য়াথং পীখিবদা মশামক্লা হরাওনা মায়রোং য়াখিবা লমদমসিদগী হৌখিবা মীশক্তুদা মথক্কী অসুম্না হায়খিবগী মতেক অমা লৌখৎচগে।

নৈননবা লৌখৎচরিবা মতাং - বনমালী দাসকী ৱারেং 'শক্লোন য়াম্বা শক্তম # ৩' সঙাই এক্সপ্রেসকী তাং ৩/১/২০২১দা ফোঙখিবা :

৩শুবা কাখল (কলম) গী ২শুবা মকক (পেরগ্রাফ) লোইরমদাই - 'মতৌ অসিগুম্না শ্রীল প্রভুপাদকা উনরুবদগী দামোদরবু শ্রীল প্রভুপাদনা মাগী সাইন্টিষ্ট শিষ্য অমা ওইনা লৌশিল্লগা ঈশ্বর লৈতে, পূম্নমক পোৎচাক্তগী ওইরকপা ঙাক্তনি হায়না বিজ্ঞান্না লান্না পাউথোক্লিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঈশ্বর লৈ "GOD IS A PERSON" অদুগা পূম্নমকসি ঈশ্বরদগী থোরকপা ঙাক্তনি হায়বসি নহাক্লা তম্লুরিবা সাইন্সনা প্রমান তৌরম্মু হায়না শ্রীল প্রভুপাদনা দামোদরদা হায়রম্মী। শ্রীল প্রভুপাদকী ময়াথং ঙাক্লনবা তুংদা দামোদরনা পৃথিবীগী নোবেল লোরিএটশিং, সাইন্টিষ্টশিং, ধর্ম্মগী লুচিংবশিং কয়া কয়াগা উনদুনা অঙম্বা থাক্তা কন্না হোৎনরম্মী।"

ৱারেংসিমক্কী অহানবা কাখলগী ২শুবা মকক হৌরকপদা ডা. রবিন্দ্র প্রতাপ রাওসি দামোদরগা অমেরিকাদা নক্লনা তিন্নবা মরুপ অমনি হায়বসি পল্লি। অদুগা অনীশুবা কাখলগী ৪শুবা মকক হৌরকপদা কয়াম নকশিন্না তিন্নবগে হায়বগী মতাংদনা 'নহাক্লা হয়েংগী অয়ূক্তা শ্রীল প্রভুপাদকা উনবা চৎমিন্নসি হায়বসি হেক ময়াদ্রবা, অদু ওইরবদি, ঐহাক নহাক্কী ননাক্তা শুক্লাকসু লাক্লরোই অদুগা পুন্সিসিমগী ওইনা অমুক হন্নসু উন্নররোই। ঐখোয় অনীগী মরুপ ওইবগী মরী অদু পুন্সিগী ওইনা তৎনরবনি।" (তঙাইফদনা পন্দবা য়াদবদগী পল্লুবগী ৱানি)। তারিখসিমক্কী ৱারেংগী অহুমশুবা কাখলগী মরিশুবা মকক্কী লোইরমদাইদা 'শ্রীল প্রভুপাদনা নুংশিরবা মেংলবা অমসুং ভক্তিগী অয়ৌবী ভাবতা লূপ্লগা শল্লকপা ঈশৈ অদু তাবদা দামোদরগী মপূক্লিং পুমশুম শুমহৎলম্মী। অসুম্না ঈশৈ শল্লবা মতুংদা ডা. রাওগী লাইমিং লৌবগী যজ্ঞ হোমকত্তুনা পাঙথোক্লে। হৌজিক ডা. রাওগী - মরিশুবা কাখলগী অহানবা দীক্ষাগী মিং রামানন্দ রাম দাস হায়না থোনবীরে/শ্রী চৈতন্য লীলাদা রামানন্দ রায় অসি মহাপ্রভুগী য়াম্না অচানবা মনাইনি। দীক্ষা লৌরবা মীশক খুদিংগী মমিংগী অরোইবদা দাস নৎত্রগা দাসী হায়বা ৱাইেহিসি হাপ্পিবসিনা তাকপদি মহাক্তু ভগবানগী মনাইনুপা নৎত্রগা মনাইনুবী ওইরবনি হায়বা খঙনবনি। অসুম্না দীক্ষা পীরম্লগা শ্রীল প্রভুপাদ মহাক্কী কাদা চঙখ্রে।

৪শুবা কাখলগী ২শুবা মকক লোইরমদাইদা - "অদুদগীদি রামানন্দ রায়না শ্রীল প্রভুপাদতা দামোদরবু মশক তাক্লম্মী অমসুং দামোদর অসি মণিপুরদগী লাকপনি, হৌজিক্লা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া, ইর্ভাইলদা কেমিষ্ট্রিদা পি ঐচ দি তৌরি হায়না শ্রীল প্রভুপাদতা খঙহল্লম্মী।

কাখলসিমক্কী ৩শুবা মকক হৌবদা - *"দামোদর মণিপুরদগীনি হায়বসি তাবদা শ্রীল প্রভুপাদ য়াম্না কা হেন্না নুংঙাইরম্মী অদুগা হায়রম্মী, "মণিপুরীশিং অসি অর্জুনগী মচা বব্রুবাহনগী শুথাংশিংনি। মখোয়শিং অসি পাণ্ডবশিংনা পানবা মতমদগী হৌনা বৈষ্ণব ওইরক্লুবনি।* মণিপুরগী নিংথৌশিংনা বৃন্দাবন, রাধাকুণ্ড, জগনাথ পুরী অমসুং নবদ্বিপতা শ্রীশ্রী রাধাকৃষ্ণগী মন্দির অমসুং আশ্রম কয়ামরুম লিংখৎলম্মী।".... নুমিৎতুদা দামোদরগী মপূক্লিংদা শ্রীল প্রভুপাদপু মাগী অশেংবা গুরুনি হায়না লৌজখি অমসুং মহাক্লা হৈজরুবা মহৈ অদু গুরুগী অনীংবা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অখাকপা লৈতনা শীজিন্নগে হায়না মপূক্লিং চপ য়ুংনা লেপচখি।"

দামোদর অমসুং শ্রীল প্রভুপাদ অনীমক লমদমসিগী মমিং মণিপুর হায়বসিগা মরী লৈননা নৈনবদা খরা হেন্না নুংঙাইনবা - "শক্লোন য়াম্বা শক্তম' হায়বা শ্রীমৎভক্তিস্বরুপ দামোদর স্বামীগী পুন্সি ৱারী তাঙ্কক নাইনা সঙাই এক্সপ্রেস, মণিপুর এদিসনগী নোংমাইজিংদা হেক হেক ফোঙবসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা তাঙ্কক্কী শল্লপ্পা মতাং মতাংগী মথৌ তারকপদা চৌকান চৌকান ওইনা লৌখৎচবদা, দামোদরগী অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌরগা মপান লমশিং হায়বদি ইন্দিয়া মনুং অমসুং মীরৈবাক (ফোরেন কন্ত্রি) তা চৎলগা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন থিজিন লৌশিং (সাইন্স) দা পি ঐচ দি ফংলকপগী মতাংসি ফাওবসি য়াম্না ফিদম্লফমনি। 'অঙাংদি নিংথাদা খঙই' হায়বদুমক দামোদরগী পুন্সিদা থোকখিবদা নত্তনা ময়েক লানা উৎখি।

বনমালী দাসনা তাঙ্কক নায়না 'শক্লোন য়াম্বা শক্তম' হায়বা ৱারেং অমা সঙাই এক্সপ্রেসকী মণিপুরী এদিসনদা ইবসি পাবদা দামোর কনানো অমদি মহাক্লা হিন্দু লাইনীংদমক কয়াম কখোকপা অমগা লোয়ননা মালেমদা পাক শন্না শন্দোকহন্নবা লৌরম্বা থৌদাং য়াম্না অৱাংবা থাক্কীনি হায়দবা ঙল্লোই। অদুবু শল্লপ্পা ৱারেংদু পারুবদগী - দামোদর বিষ্ণুপুর কৈথেলগী খা মায়কৈদা নোংপোক পাংনা চুমদ্রিং হাইগৎখিবা লম্বী অদু চৎলগা লৈবা তৌবুল হায়না খঙনবা খুঙ্গং অদুদা কুমজা ১৯৩৭কী দিসেম্বরগী তারিখ ৯, পোইনুগী তরুকনি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা থৌদাম যোগেন্দ্র অমদি থৌদাম ওংবী কৈন্যাহনবী অনীগী মচানুপা ওইনা মথক্তা মচে অমা অদুগা মখাদা মচননুপী অমগা পূন্না মখোয় অহুমগী মনুংদা মচানুপা য়াইমা ওইনা ফংজখি। অপোকপসি নট সঙ্কীর্তন শকপা বৈষ্ণব ওইবনা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মমিং ময়ামগী মরক্তগী মহাক্লা খোয়দাজবা দামোদর হায়বা মিং অসি খল্লগা মচানুপাগী মমিং থোনখিবনি হায়না ৱারেংবনা পল্লি। শমজিন্না, তৌবুল খুঙ্গংসিদা ইবুধৌ সোরারেন, য়াঙ্গোই নিংথৌ অমসুং অয়াংলৈমা লাইরেম্বীগী মসাইগোলশিং লৈবসিদা কুমজা ১৯৪২গী জপান লান মনুংদা য়াঙ্গোই তুরেলগী মপান্দা শাফগদ্রা হায়না লাঞ্জেনরিঙৈদা দামোদরগী অপোকপা টাইফোইদনা নাবদগী লৈখিদ্রবা মতম খরা মমা অমসুং মচেগা লোয়ননা পুন্সি লেল্লবা মতুংদা অপোকপী মমানা য়ূম্নাক শাগৈ ওনখিদুনা মচন্নুপী অপীকপীদু পুদুনা চৎখ্রবা মতুংদা মচেনা মহাকপু য়াম্না ৱানা নাউকোনবীরকখি হায়বা য়াই। ●